*"চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফস্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।"*
*- এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)*

## শাথুপ হৈয়ু মীতৈ নোংশাশিং
—কোকিল মৈতৈ

মীতৈ নোংশা পাঙ্গলবশা
মাঙদসু লাং, তুংদসু তেন
'শাথুপ হৈয়ু লোংউপ তাল্লিকো'
মখল মখাগী খোইচাক থারি
হাৎনীংলি তূপ্লিংলি লোইশিন্নীংলি
অখাবা তমথীবা মীৎয়েংনিকো য়েংলিবা।
লিখোকপা নাম্থোকপা হৈয়ু
মীকুপ নাহুম শিংনা লৈয়ু
অশাউ কন্থিনখিনু তপথখো
লান লোইদ্রি কাউগুমসি
'খা চিক্নুনা খাংখো
য়েক্নবা মশীং য়ামহনগুমসি'।
কংলৈপাক কন্ননবা হোৎনবদা
মীতৈ ফূরুপ কন্ননবা হোৎনবদা
খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লাম্থেংনরিবা
মীতৈ নোংশা পারি ইমোমশা
নীংহন্নবা চোকথবা য়াদে
লানঙম ফিরাল থেৎত্রিফাও।
ইমা লৈবাকপু কন্নবা হোৎনবদা
ইফুরুপ্পু কন্নবা হোৎনবদা
থৱায় থাবদা পাম্মুবা লৈগুমসি
য়েক্নবা কনাবুসু কিগুমসি
ইচাশিংনা লানঙম ফিরাল পায়দুনা লাকপদো
খৌরাংনা ঙাইরি ইমানা কাউগুমসি।

## মেরা থাগী সনারৈ
—নিংথৌজম বিমোলা লৈমা

মেরা থা নঙসু অমুক লাক্লবোইরে
নঙনা লাকপসে নিঙোল ওইবী কয়াগী
মোমোন মীনোক তমজবা থা মেরা থা
নিঙোল ওইবী কয়াগী মায়থোঙ মকা লাম্বা থা
মেরা থা, ৱাখলসিসু তঙৈং-তঙৈংলিবা
পূক্লিংসু কয়াদা নুংঙোল্লিবা
নাম্মীবা নুংশিৎনা হুম্বদা
শন্নাংসু কয়াদা মনীং তল্লিবা
ৱাখলসিসু কয়াদা লৈতাহন্দ্রিবা
থম্মোয়সিসু কয়াদা নুংঙোল্লিবা
সনারৈ কৌবী লৈরাংনসু
নঙবু লাকপা ঙাইরিবা
মাসু লৈশাৎ তম্নবা
সনারৈনা লৈশাৎ মপূং ফারকপা থা
মেরা থা, য়েংবগী পেনবা নাইদ্রিবা
মেরা থাগী সনারৈ শক্লুখি শোন্নখি
মীপূম খুদিংনা সনারৈ মাবু
ঐনা পুঙ্কক চাউরকপা মতমদা
মেরাগী পুর্ণিমা নুমিত্তা শান্নখি
লিকোন লৈকায়গী ইচেশিংনা
লৈজবা ফিজেৎ শেৎতুনা
ফম্মিন্নখি, মানা মানা পামজবা
জুরা জুরা শেমদুনা, ঐখোয়সু য়েংলুই
মখোয়না ঙাঙনবা ৱাহে-ৱাতাশিং অদু
তারুবদা য়াম্না ঙক্লা থোকই
অদুবু ঙসিদি লোইনা মাঙখ্রে
মতম মতমগী খোঙলৈনা হুমদোকপীখ্রে
অমুক হন্না লাক্লরোইদকো।
লিকোন শান্নবা হায়বদো।

## অদুঙৈগী মেরাগী থাবলদো
—ডা. অকোইজম ইবোহল

সনা মানবী সনারৈ লৈরাংনা
ফিজেৎ লৈতেং তৌরদুনা
লৈকোল কৈথেল কারকপা কান,
লুপা অহিংবা মচু ফুদোংলদুনা
থোরক্লে মোং হাদনা,
পূন্সি লৈপুন শেম্ননবা
শোন্নপুঙগী ময়ায়দা নিঙোল ওইবীনা
নাশোন পীক্লা থোক্লকপগুম!
নীংশিংলক্লে ঙসিসু অমুক নৌহৌননা
মেরাগী থানিল থাজ উরুবদা
অদুঙৈগী মেরাগী থাবলদো,
অঙাং নাৱা অপীশক ওইরিঙৈদা
পন্থৌ ইঙ্খোল চাইগোইনুং
শুমাং অকোয়বা শীনবা থুং
পলেম ইমাগী মনমগন্দা
তূমথনবা শকখিবা নাউশুম ঈশৈ!

ঙসিদি মৈখুগা উফুলগগী কুয়োম্না
থাজসু মায়খুম উপশিনখ্রে,
উবা ফংখিদরে থাজগী মতম্বাক্তা
ককচেং পরেং চৎলম্বদো,
অহিংগী থাবলতবু খোইদাজদুনা
ফুগায়না লৈশাৎ তমজবী থাবল্লে
পোইরৈ লমদম কৈদা য়েনখ্রবগে
তাখিদবা কুইরেদা নুংশিবা লৈনমদো।

## 'চাংদম্নরবদি ঐগী পিরাংগা মায়থীগনি নহাক্কী নোংলিক'
—খুমুকচম লৈবাকলৈ

হে শজিবু থা, করিগী হৈথবী লেপ্পা লৈত
অকনবা নোংজু অহিংসিদা
শীংনরিবরা ইঙা নোংজুগা?
চাংদম্নরবরা ঐগী পিরাংগা?
অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ, নঙগী নোংলিদি তপথরক্লে
ঐগী মীৎলুগী পিরাংসিদি
লেপ্পরোইদবনি পূন্সিসিগী
চাংদম্নগে খনগনু ঐগী পিরাংগা
মায়থীবা নংগনি নহাক্কী নোংলিক।
হে কালেন্থা, নঙসু লাক্কনি মৈশা পুদুনা
ঐসু ঙাইরমগে মৈশাগা লোয়ননা
পীক্লবা থম্মোয়সে চাউথোকচবা ঙমদ্রে
মৈচাক্লা য়োল্লবা থম্মোয়সে
তাঙ্গোয় তাহল্লো নঙগী মৈশানা।
ঙাইখিসিরা ঐবু ইঙা থা
কপচেৎপীনি মাসু ঐগুম্না
খাম্বা ঙল্লরোই কনানসু
মাগী নোংজু, ঐগী পিরাং।

## মৈ মূত্তরি
—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

থোক্লকখিগনি মশীং খঙদনা
নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা
চাক্লিবা মৈ অসিনা মূৎত্রিবা মখৈদি,
থোরক্কনি অচুম অরান
হুরানবনা কনানো, মপুনা কনানো
মৈরিদি নেমথরে হায়গনি
চাক্লিবা মৈদি মূত্তরি।
অরানবনা অচুম্বা শারদুনা
লেঙথোরক্লবা পুৱারী খরা
অনৌবা মীরোলদা নত্তবা লম্বীদা
লমজিংদুনা, ময়াই কারবা ঈপাক্তা
তাওহন্দুনা উহল্লি লৈমিন্নরিবশিংবু
য়েক্লবা ওইনা, ফম্বা চল্লগা
হিপথরগে খল্লুরিবা ৱাখল।
য়াইতোং খমদোংবা খরা লৈরে খল্লুবা
শেরান্নবা ৱাখলনা লমজিংখিদুনা
অউ-অউবা চিক্কনি, খোংগনি খল্লুবা
অপঙবা অঙাং নাৱাগী ৱাখল
থুনা লাপথোকহৌদবা তারবদি
লৈমিন্নবা, নুংশিনবগী মহাও খঙদনা
পূন্সি পিখন্নখিবনা হানগনি।

## 'মিত্রংগী লাংসিদা'
—মিনা রাজকুমারি

কাইনা মৈশা লাংলবী থম্মোয় কয়া
নীংথম চৈনা খাংলিবী ৱাকচীংগী গুলাপ
চাক্তাফম লৈত কোইপাই পাইরি
উবীনবা তাবীনবা য়েংবীনবা লৈতে
মশা মশাগীতা খল্লবা তাইবঙসিদা
নুংশিবা শাদুনা অতম্নবা তৈশিল্লি
অমুবা মচু পলেমগী মায়থোঙদা।
থৱায়না লৈচিল্লক্তা তিনখ্রবসু
হকচাংনা মালেমগী ওইখ্রবসু
পাম্মী নুংশিবা লৈনমগুম্না য়েম্থোকপা
অরোনবনা করি অফোংবনা কদাই
অনীগী মরক্তা চেল্লিবা ঈচেলশিং
ফোঙদোক্ত্রসু নখোয়গী চীনবান্না
উরিদো অমম-অঙান অনীনদি পূন্নমক।
লৈবাক শেম্বগী মিংদা খুদোংচাবা লৌদুনা
নুংশিবদি শারগা মাঙনবদি তৌরিবা
মথৌদগী নাথৈদুনা লৈরিবা মখোয়না
কনাগী মীনুংশি কদাইদগী চাওখৎপা
কদোমদগী শান্তিনো হায়বীরিবদুবু
কয়াম কুইনা ঙাওহন্দুনা লৈখিগদৌরিবা
পুবা-থাংবদা ৱারবা মিত্রংগী লাংসিদা।

# জবলপুরগী খোঙচৎ - ৩

মরকসিদা মীদিয়াগী কাঙবুসুনি। মীদিয়াদসু হেরোজিৎ, বসন্তি, সোনিয়া অমসুং ঐহাক্না ৱারী-ৱাতাই শানদুনা মখোয়না খঙনীংবা ৱাহং কয়া অমগী পাউখুম পীরে। অহানবা সেসন্দা দ থ্রেটস টু এক্সপ্রেস হেভ টু বি ফেস - চেলেঞ্জস ওফ প্রোটেক্সন এন্দ প্রোমোসন ওফ দি কন্সটিট্যুসন হায়বা থিমদা ৱাঙাঙলোই মঙানা ৱা ঙাঙখি। অনীশুবা সেসন্দা কলচরেল এক্সপ্রেসন এগেনষ্ট এক্সপ্লোইটেসন হায়বসিদা ৱাঙাঙলোই তরুক্না ৱা ঙাঙখি। চাক চারবা মতুংদা অহুমশুবা সেসন্দা রোল ওফ লিটরেচর ইন বিল্ডিং এ বেট্টর সোসাইটি হায়বা থিমদা ৱাঙাঙলোই তরুক্না ৱা ঙাঙখি। মরিশুবা সেসন্দা দি হোপস ওফ লাইট ইন অৱর টাইমস হায়বসিদা ৱাঙাঙলোই তরুক্না ৱা ঙাঙখি। নুমিদাং কলচরেল প্রোগ্রামদা সোলো প্লে, নুপী অমত্তনা শান্নবা অমগা নুংঙাইরবা গ্রুপ দান্স অনী অমসু উৎখি। ওম্থোক্না নুংঙাইখি। পৱাগী মধ্য প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি শ্রী ভিনিট তিপারিনা হয়েংদি খরা ঙন্না লাক্নবা হায়রকই, হয়েংদি অহানবদা মণিপুরগী ওইনা থৌরম হৌগনি হায়রকই। চাক চাবা চংবদসু, চা থকপা চংবদসু তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা দেলিগেটশিংনা ৱারী হংনীংবা, ফোটো নম্মীন্ননীংবা ময়ামসিনা নুংঙাইবা অমসু য়াওখি। য়াম্না নুংঙাইবা অমদি মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বরদা নাগপুরদা পাঙথোকখিবা সমাতা সাহিত্য একাদেমিগী থৌরমদা দেজদা ফমখিবী মহারাষ্ট্রগী নুপী এক্তিভিষ্ট অরুনাগা থেংনবদুনি। মহাক্না ঐঙোন্দা সাইটেসন পীবগী ফোটোদু ঐগী ফোন্দা য়াওরম্মী, ঐনা মঙোন্দা উৎপদা মানা হরাওনা মঙোন্দা থারকউ হায়দুনা ঐনা থাখি। তেলঙ্গনাদগী অইবা খরা ঐখোয়গী ইনাক্তা চঙশিল্লকই অদুগা মখোয়গী মমালোল টেলেগু অমদি হিন্দিদা তোঙান-তোঙানবা অইবশিংনা ইবা মণিপুর কৌবা লাইরিক অমা খুদোল তম্বীরকই, ফোটো নম্মীন্নসি হায়দুনা ফোটোসু নম্মীন্নরে। লাইরিক মখুমদসু মণিপুরগী মেপ য়েকই। ঐদি নুংঙাইবা অমা পোক্তুনা মণিপুরীদা হন্দোক্নবা হোৎনগে হায়রুরে, মখোয় হরাওবনা লোইরে। মণিপুরীদা হন্দোক্লগা অমুক থাবিরকউ হায়রকই। ঐগী এড্রেসসু লৌহৌই। লাইরিক কুনমঙা অমা থারক্কে হায়। নুমিদাংগী চাক চারবা মতুংদা ঐখোয় গাড়ীনা লৌবা লাক্তুনা অদুম চৎলে।

নোংঙাল্লগা ওগষ্টকী চৈচৎ ২২গী অয়ুক্কী পুং ৬তা মোর্নিং ৱার্কিং চৎলুসি হায়না সোনিয়া বসন্তি, আনেশ্বরি, হেরোজিৎকা ওজা একেনগা ঐখোয় তরুক চৎলি, নর্মদা তুরেল মথক্তা শাবা থোংদু ফাওবা। থোংগী ময়ায়গী মপাদা তরানা ৱাংনা খাগৎলি। মদু তুরেলদা চোংথরগা সুইসাইদ তৌবা য়াম্না য়াওই হায় অদুগীনি। হল্লকপগী লম্বীদা চাগা সিংহারা অশাবগা অয়ুক্কী ব্রেকফাষ্ট অদুম চারকএ। – ডা. নির্মলা রাজকুমারী

মতম মতমগী ৱাখল

# মণিপুরী খুন্নাইদা মোং-হাদনা চৎনরিবা চৎনবী খরা



মেরা থা অসি মৈতৈগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা থানি। থা অসিদা ঙল্লিঙৈদগী পাংথোকলকপা থৌরম খরদি-মেরা চাউরেন হৌবা, মেরা ঈরাৎপা থৌরমগা লোয়ননা ক্বাক তানবা, মেরা মেন তোংবা, মেরা য়েনখোং তম্বা, মেরা ষণতুবা, মেরা থাউমৈ থানবা অমদি মেরা হৌ চোংবা থৌরম অসিনচিংবশিং অসি মরু ওইনা পাংথোকলকখিব ঙাক্তনি ।

মেরাগী নোংমা পানবদি হৌখ্রে। মেরাগী ১৫নি পানবা মেরা ৱায়ুংবনি। নুমিৎ অসি মেরা হৌ চোংবসু তারি। মতম অমা ঙল্লিঙৈ হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈদদি মেরা হৌচোংবা থৌরমসি মেরাগী ১০ নি পানবদা পাংথোক্লখি । অয়ুক্তা মেরা ষন্দুবা হায়দুনা ষন্দং হায়রিবা ষণ মখল অসি চীংদগী ফারুরগা হাৎলবা মতুংদা অককপা ষন্দং মকোক অদুনা নুঙ্গোইবীদা লালু চনবা হায়দুনা কৎলগা ঈরাৎ থৌনী পাঙথোক্লে। মেরা ষন্দুবা থৌরম অসি চীংমী তম্মী অনী পূন্না পাঙথোকমিন্নবা থৌরম্নি। ঈরাৎ থৌরম লোইরগা ষন্দং অদু ময়াম তারা চিন্দম্মীন্নৈ, চামিন-থকমিন্নৈ। থৌরম অসি মেরা হৌচোংবা হায়না খঙনদুনা লাকখি ।

নুঙ্গোইবী হায়রিবসি কংলা উত্রাগী কৌব্রু মাইকৈ ওইরপ্না লৈরম্বা শুরুং অমগী মথক্তা নুংপাক অমনা নল্লগা লৈরম্বা মৈতৈশিংগী থাজনরকপা অরুবা লাইফম্নি। হৌজিকসু কংলা মনুংদা লৈরি । নুংঙ্গোইবী হায়রিবা নুঙ অসি কুমশীং ১০৭৪ দা পানখিবা মৈদিংঙু লোয়ুম্বনা পুরক্তুনা য়ুংখিবা নুঙনি হায়না থেংনৈ। নুঙ অসি মতীক ময়াই লৈ। মাঙোন্দা ঈরাৎচরবদি শা-লান ঙম্মী হায়না থাজনরকপনা কুম খূদিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা থৌনীদুনা লাকখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা, হিন্দু লাইনীং লৌরকখিবদগী ঙল্লিঙৈদগী চৎনরকপা মেরা ষন্দুবা থৌরম থিংজিনখি। মেরাগী ১০নি পানবদা পাঙথোকলম্বা হৌচোংবা থৌরম অসি মেরাগী ১৫নি পানবদা তোঙান্না পাঙথোকহনখিবদগী ঙসি ফাওবা পাঙথোকপনি অসুম্না থেংনরি । চহী কয়া লিশাং শিৎনা পাঙথোক্লরুদ্রবা মেরা হৌচোংবা থৌরম অসি য়ংমাসো সৈজানা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইখিবা কুমশিংদগী পাঙথোকপা হৌরকপনা ঙসি ফাওবা থৌরম অসি লেপ্তুনা পাঙথোক্লি । য়ংমাসো সৈজাগুম্বা চীংমী-তম্মীগী খনবা লুচিংবা অমা লৈরমদ্রগদি লমদমসিগী চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা লৈনরম্বা নুংশিনবগী অমত্তা ওইবা মেরা হৌচোংবা থৌরম অসি অমুক হিঙ্গৎলকপা ঙমলমদবসু য়াই। য়ংমাসো সৈজানা সনামহী লাইনীংবুসু চাউখৎনবা হোৎনবীরম্মী ।

চৎনরকপা হায়বসি খুন্নাই অমগী য়াম্না মরু ওই। চৎনবী হায়বসি চাউখৎলকপা মতমগী মতুংইন্না অহোংবসু লৈরকই । খুন্নাই অমগী ঙল্লিঙৈদগী লৈরকপা চৎনবী থাজনরকপবু ঙাক্না থম্বা হায়বসি মমল য়াম্না লৈনা লৌনরম্মী। চৎনবীনা অমুকসু কনাগুম্বা মীওই অমদি কাঙলুপ অমবু নুংঙাইহন্দবসু লৈরি । ঙল্লিঙৈদা চৎনরম্বা মাংবা-শেংবা, শাগৈ-জাৎ থাক ৱাংবা, থক-খা নাইবগী মওং অসি ঙসি চাউখৎলবা মতম অসিদদি থোইনা খন্নদ্রে । লাইরবা ইনাক খুনবা হায়বসিনা ৱাফম অমনি। মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবা থম্বদা শাগৈ-জাৎ, মাংবা-শেংবা খায়বসি য়াম্না তমথিবা শাজৎ অমা ওইরকই। ৱাফম অসি মতাং অসিদা পুশিঞ্জরক্লিবগী মরম অমা লৈরি ।

নাৎকী চৎনরকপদা, হান্না লৈরমদবা মীগী পূক্লিং ৱাখলদা নুংঙাইহন্দবা ঙসি চাউখৎলবা মতম অসিদা কনাগুম্বা খরনা মোং হাদনা চৎনহনবা খর থেংনরি। মরু ওইনা মপুরোয়বা কায়নরবী কনাগুম্বীদনা হেঞ্জিন্না মায়োক্লহল্লি । খরদং পঞ্জবা তারবদা-লমদমসিদা লুহোং-খোংদোংবদা যাত্রা পুবা হায়বা অমা লৈরি। যাত্রা পুগদৌরিবী নুপী অসি মচা নুপানা হান্না পোকপা, অৱা-অনা নঙদ্রিবা মৌনহাশিংনা পুহনবা চৎনৈ । মচা নুপানা অহানবা পোকপা ওইরবসু নাম্মা শেৎনরবা লুখ্রাশীংদা চল্লবদি যাত্রা পুহন্নদে। অতোপ্পা চৎনরকপা থৌরম অমদনা, নাহুৎ-নারেং তৌবা মতমদা লু কোকপা থৌরমদা অঙাংগী কোকথক্তা নুপীমচাশিংনা ঈশিং চফু মচাদা হাপ্লগা হৈথবা অমা তৌনৈ। ঈশিং হৈথগদৌরিবা নুপীমচা অদু অপোকপা মপা নৌনা কায়নখিবা নুপীমচাদি ঈশিং হৈবা য়াহন্দে । ৱাহৈদদি ফজদ্রে, মপা লৈতবা লুখ্রাবী ওইরবগী মচা নুপীদি থৌরম অদুদা য়াওবা য়াদে হায়রি। অসিগুম্বা চৎনবী খরা হৌজিক মণিপুরগী মফম খরদা কনাগুম্বনা চৎনবগী পাউ তারি ।

মপুরোয়বা কায়নরবী নুপীশিংনা কায়নবা নৌরিঙৈগী মতমদা পুমঙৌ ফনেক উরৈরোম শংবা অসি শেৎনরকই। মওংসি, লৈখিদবগী মফমদা উৎপা অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপনি। কনাগুম্বী লুখ্রা ওইরবীনা মপুরোইবগী কুমওন থৌরম য়ৌদ্রিবা ফাওবা পুমঙৌ ফনেক শেৎনৈ। কুমওন লোইখ্রগদি থৌরমগী মতুংইন্না অতৈ ফি-রোল শেৎপদা করিসু হায়নদে । নুপীশিংনা ময়াংলং ফনেক (পুমঙৌ ফনেক) অসি লাই-তিনগী থৌরমদা শোয়দনা শেৎনরকই। মপুরোইবা কায়নরবীশিংনসু লাইতিনগী থৌরমদা শেৎনদুনা য়াওনৈ । কনাগুম্বনা ময়াংলং ফনেক অসি লুখ্রাবী ওইরবীশিংগী ফনেকনি হায়না লৌনবসু লৈ । কনাগুম্বনা ময়াংলং ফনেক্তি লাই-তিন খুরুম্বদা শেৎনগদবনি, লুখ্রা ওইরবশিংনা শেৎপা য়াদে । অসিগুম্বা লান্ন লৌনবা কয়া লৈরি । চৎনবসি মীয়ামগীনি। অমনা অমনা পংহায় হায়বা পংতৌ তৌনবা অসিসু চুমদে ।

হেঞ্জিন্না হায়জিন্দুনা মাংবা-শেংবা তৌহৈদবরোমদা থাজহন্দুনা চৎনহনবগী থৌদোক্কী ৱারী তারি । থৌওংসিনা চৎনবী ওইহন্দুনা মীগা মীগগী মরক্তা পূন্না হিংমিন্নরিবশিংগী মরক্তা নুংঙাইতবা ফাওহল্লি । মপুং ওইনা মপাং শেৎনরবী, লুখ্রাশীংদা চল্লবী কনাগুম্বীগী মফমদা নুংঙাইতবা পোকহল্লি । লান্না থাজনদুনা চৎনহনবা অমদি ফেনাটিক ওইবা হায়বসি চাউখৎলবা মতম অসিদদি থাদোকপা চুম্মী। লান্না থাজবা হায়বসি নুপী ওইবীশিংনসু খর হেন্না উই। নুপী ওইবীশিংনা শেৎলিবা ফনেক ফি-রোল অসি মাংই হায়বসি নুপাশিংনা হায়দে । নুপী ওইবী মশানা অমাংবনি হায়না নুপাশিংবু চৎতনবা হায়দুনা লমদমসিগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিং কনাগুম্বনা লম্বীদা ফনেক য়ান্দুনা থাম্লে। নুপানা য়ানবা নত্তে। নুপী ওইবী মশানা নুপানা হঙ্গোইনবনি হায়না খলহল্লি। মসি অরানবা চৎনবী থাজনবি অমনি। নুপী ওইবীনা শেৎনরিবা ফনেক্তা মাংবা লৈতে। ইমা-ইবেলগী ফনেকপু মাংই, নুপানা থেংবা য়াদে হায়না চৎনহল্লিবা থাজনবা অসি মতমসিদদি থাদোকপা চুমগনি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা লমদমসিদা চৎনবী অমা ওইনা লৈরগদি চাউখৎপগী খোঙজেলসি তপখিগনি। মণিপুরগী তম্পাক লমদমগী মফম মফমদা চৎনবীশিং তোঙান্না খর খরা লৈবা থেংনৈ। ফিজেৎতা লুখ্রাবীগী ফিজেৎ, পখ্রাগী ফিজেৎ হায়বা থোইনা হৌজিক লৈত্রে খঙে। মরুওইনা মপুরোইবা কায়নরবীশিংদা ফিজেৎতা অমদি থৌরম য়াওবদা মনিং ময়াদা, মতাইদা লেপ্তুনা লৈহনবগী চৎনবী খর থম্বা উরি। মাংবা-শেংবা হায়বসি লুবা-নানববুনি হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা ঐখোয় খঙমিন্নবা মথৌ তারে । মীপূম খূদিংমক চপ মান্নৈ, শিগদবা ঙাক্তনি। শোক্লবা, শম্নবা য়াদবা, চঙবা য়াদবা, য়াওবা য়াদবা হায়বা অমা মখোল থোক্তনা চৎনরিবসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি য়াম্না চুনদ্রে । অপীকপা ৱাখল থাদোক্লগা হিংমিন্নবগী ৱাখল খনমিন্নবনা অচূম্বা ওইগনি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## ৱাফংনগে

মপান্দা কনানো অমনা ঐবু 'ইতাও ইতাও' হায়না কন্না-কন্না কৌরকই। ঐদি নোং-চীংনগা ফত্তবনে, উচিন-নাচিন্না লৌ শঙম অমখক উজবদু খাওবা য়ারকানসিদা নোং লেপ্তুনগা চুখৎলকপগী খোয়দৌনা খোয়দৌ শাওগৎপনে, ফৈজুপ চিংখৎতনা তূমশিল্লগা লৈবনি। মপান্দা লেপ্লাউ লাউরকপদুদা কনানো হায়না হায়ফেৎ হৌগৎলগা থোঙনাও খিত্তং হাংলগা য়েংলুববু, ঐগী ইতাও বোয়াই মখ্বাং মেৎতুনা ছাতিন অমা তুপ্লগা চুরি তাফমদা লেপ্লগা লৈরম্মী। ঐ মপান্দা থোকই।

"কৈদৌরে ইতাও নোং মরকসিদা, কাইদা চৎলুইনো?" ঐনা থোক্লগা হংলুবনি।

"নফি শেৎলু, থবক অমা চৎসি"

"ঙাইহাক্তা কাখৎলকখোনে মাঙ্গোলসিদা, নোং মরকসিদা চৈরাক ফংলবগুম লেপ্পীদুবু, কারক-ও কারক-ও, ৱারীদু শাসি' ঐনা মাঙ্গোল মচি অমদা লৈরিবা মোরাদু পুথোক্তুনা থাই। ইতাওদু তল্লি-তল্লি মাঙ্গোলদা কাখৎলকই। মোরাদুদা ফম্মে, ঐসু ফক মচি অমা চিংথোক্তুনা থারগা ফমথৈ। ঐনা ইতাওদা য়েংলগা হংলুই,

"করি থবকনো, কাইদা চৎসি হায়বনো? ঐদি নোংদা-চীংদাসিদা তন্দনা হিপচিল্লগা লৈরবনি"

"ঐনা হেন্না তল্লিজাৎনি, সিদা ৱারী নুংঙাইরোই ইতাও, চত্তা চৎসি, অদুগা ৱারীদু মপূং ফানা শারুসি" ঐগী ইতাও বোয়াইগী ৱাতাদুদা ঐ চিংনবা অমা খংফাও ফাওরকই। *মাগীসিবু করি তৌরবজাৎনো? ঐঙোন্দকা শাউদনা হায়রিজাৎলা? ঐদি মানা শাউবা য়াবা অমত্তা তৌখিদেনা। কৈদৌরজাৎনো ঐগী ইতাওসিবো, নোংমতা সুমদৌনা তৌদবনিদা।* ঐনা চিংনদুনা ৱা ওইনা হংলুই।

"ইতাও নঙগীসি ঐ চিংনবা অমা য়াওরেবো, হেক্তা হায়য়ু, ঐনা কৈদৌরে, ইতাওনা শাউরিদো?"

"ঐহ! কারন তৌরক্কনুদা ইতাও, ঐনা নঙোন্দা কাইদা শাউরে, ঐনা শাউই হায়খ্রবরা?"

"হা! হায়বুদি হায়দেদা অদুদা ইতাওগী মতৌদুদা সুম হংবনিদা" লেংবান্দা য়াল্লিবা খুদৈদুনা কাং ফরা-ফরা হুম্মগা ঐনা খুম্লুই।

"ইতাও ঙসিদি ঐ শাউরমদবদগী সুম শাউরক্কদৌরে, লোইশিল্লুরো চৎলো হায়বনি, থবক অমা চৎলুসি হায়বা?"

"ঐহ! অদুবু করি থবকনো হায়না হংইদনা ঐসু। ফরে-ফরে ঐ লোইশিল্লুখিগে, ঙাইহাক্তা ফম্লম্মু" ঐ ইমুংলোমদা চঙগে হায়দুনা থোঙজিন মপান য়ৌরকপদা ওম্থোক্তুনা অমুক য়েংলুই,

"ইতাও কয়াম লাপ্পা চৎকদৌবনো?"

"অস! ৱা য়াম পেৎখ্রেদা, লাপ্পোই, অস্বাই ফাওদনি, চৎলো লোইশিল্লো, থুরো"

ইতাওদু ফম্মগা লৈহৌরে, ঐ ইমুংদা চঙই, ফিয়ান্দা য়াল্লিবা খোঙগ্রাও সেকেন্দ হেন্দগীদুমা শেৎচিল্লে, টি-শর্টতুমা লিৎশিল্লে, মথক্তা জর্সি অমগা লিৎশিল্লে। মোন মখাদগী ঙসাই ঐগী নুপীনা ঈন চিংবা চৎলমদাইদা হোরেন থাও-থুম খরা লৈদ য়ারোই হায়না চেকশিন্না থম্লম্বা শেল লুপা চাম্মদু তাপ পায়রগা থোক্ল-থোক্লবা হায়দুনা ফুরিৎখাও অমদা হাপচিল্লে অদুগা অদুম থোরক্লে।

"ইতাও ঐগী ছাতিনদি লৈতে, ননাওনুপীনা ঈন চিংলুনি, ঙা চরা অমত্তা ফাবা য়াব্রা য়েংলুগে হায়না ছাতিন অমা লৈবদু তুপ্পগা চৎখি"

"য়ারে ঐগীসিদা তুপমিন্নরসি"

ইতাওগা ঐগা থোরক্লে, সোরোক য়ৌরে। নোংদুসু পদ্রৎ-পদ্রৎ তৌদনা শুংলেপ হেক লেপ্তে। পীকখ্রবা ছাতিনদুদা শা চাওখ্রবা ঐখোয় অনীনা শুপচিল্লগা তুপমিন্নবদুদা লেংজুম নাকন অমমমদি চোৎলে।

"চোৎনীং চোৎসনু, চহী অমা চাগদবা ফৌনা চোৎলগা হোরেন অদুম কংবা য়াবা ইশানা চোৎপবু কৈদৌই হায়গে" ইতাওদু শাওনা ঙাঙলি। ঐ মানা হায়রিসি চুমদি চুম্মী খল্লি। লেপ্তুনা লাকপনা ঐখোয় খুলদু লাম্থোক্লগা থংনবা খুলজিন্দু য়ৌরে। তাইচা হোয়গী থোঙ্গাল য়ৌবদা ইতাওনা ঐবু খাম্মী।

"ইতাও তাইচা হোয়দা ঙাইহাক্তা ফম্মুসি"। তাইচা হায়সি হীদাক খরা-খরা য়োনবনি। মাগীদা চনা কাংঙৌ, য়েরুম অফুৎপা, অতাওবা, আলু শাক, মোরোক মেৎপা ইসু শুনা য়াওই। ঐনবু খল্লি, ইতাওনা থবক অমা চৎলুসি হায়রিসিদি সিদা ওইরে। ঐসু অদুম চঙমিন্নরে। দম্বুরনা খাজিল্লবা শঙ্গোইদুদা চঙশিন্দুনা মোরা অনী চিংশিল্লগা ফম্মে। মী অহুম/মরি অমসু ফম্লম্মী। নহা খরা চঙলকই। মোইদি ঐখোয় লৈবদুদা ময়োম ওইনা লৌরগা ফৎ চৎখি। ইতাওগা ঐগা হৌরে। গ্লাস অহুম/অহুমগুম্বা পায়রকপা মতমদুদদি ইতাওদু মঙাল খরা লাকপা মাল্লি, ঐসু মীৎসি নুংশিবা হৌরক্লবনি। উইরুম-উইরুম তৌরগা ৱারী কোথ-কোথ ঙাঙবী লায়নাদু লাক্কে তৌরবনি। ইতাওনা হৌরকই।

"ইতাও ঐ য়াম পেন্দে"

"কৈদৌরে কনানা করি হায়রে, ঐঙোন্দা হায়য়ু, ঐ থবক তৌগে"

"লৌ পাল্লমদাইদা নোং মরীক অমা তাখিব্রা? লান মরক্তুদা নোংসু তাদ, ঈশিংসু লৈত কুমসিদি লৌ উবা য়াররোই খন্দনা কোক পায়দুনা ৱাখিবদু ইতাও নঙ নীংশিংলিবা নৎত্রা?"

"কাউদে ইতাও, ঐ শুংকাউ কাউদে, মীনা নোংমা নোংমগী শিবা হেঞ্জিল্লক, লান্না মরোল অমা সুম সুম কনশিল্লক, নোংমৈ মখোল মরক্তা নুপীগী সনা কায়থোক্লগা ইঞ্জিন্না ঈশিং চিংদুনা চাবা চাদবা লাইবক য়েংলসি হায়না ৱানা উখিবা লৌনিদনা"

"হৌজিক ঐগীদি খাওজিল্লুরে, কাবক-কাবক্তা লোক্লসু হায়দুনা, অদুগা নোং হৈথরে। সি করিনো?"

"ঐগীসুনি, খাওবা য়ারবকানসিদনি চুথরক্লিসি।"

"ঐগীদি খাওরবনিনে, সিবু হৌনব্রা হায়বনিদা। লাইনা শিল্লিসি করিনো? নোং তাহন্দ্রে, লৌ মপূং ফানা উহন্দ্রে, নোংমৈ কাপশিন্দুনা লৌ কয়ানো মায়কৈ কয়াদা উদ্রিসে। ঐখোয়গী হেক থংনবা লৌদু হীদাক চাইবা চৎপদা নৎত্রা, কাপথরক্তনা লৈকায়গী অঙাং অমা লৈখিদবদো। কয়া ৱানা উই। হৌজিক করিগী নোং চুরি। লাইনা চঙলিবা মীচংসি কনাগীনো? সেন্টরনসু ইফোং ফোংনা মীচং চঙবা মানবা থৌওং তৌই হায়নরি, লাইনসু ঐখোয়দা সুক ৱাহন্দনগা তৌরিসি কনাগী মীচং চঙলগা তৌরিনো? ঐ লাইগা ৱাফংনবা পাম্মী"

"চুম্মী ইতাও ঐখোয়দি ফৌ লোক্কে হায়বনি, পোপি লোক্কে হায়বা নত্তে। চুরো য়ারেনে, অদু লেপ্পা য়ারেনা, সিদি খরা হোমল্লে। ঐসু লাইদু থেংবু থেংনরবদি ৱাফংনবদু ঐসু য়াওগে"

"ইতাও ঐগী মচিংদু নঙ খঙইদনা, ৱা য়াম হায়রোই, মচুবাদুদা খূৎতুমসিনা পোপ লাউনা হেক্তা থাগদবনি"

"নঙনা থাদ্রিঙৈদা ঐনা মথুনলোমদা খোঙপাক্লা কাউথোরক্কে" ঐখোয় ভোল্যুম খরা কল্লম্মনি খঙই। তাইচাদু চেনশিল্লক্লগা খাম্বোই চৈবোই তানবোই তৌরকই।

"নোই অনী চৎলো, য়ারে, হেঞ্জিল্লনু, নোইনা ৱাফংনগে হায়রিবা লাইদো লম্পাক্তা লৈহৌরে হায়বনি, থেংনরুরো"

ইতাও বোয়াই ফুক লাউনা হৌগৎলগা ঐগী খুদাং পায়রগা চিংখৎলি।

"তাইচা লম্পাক্তা লাই লৈহৌই হায়বা, ও কে কয়া তারে ঐখোয়গী সে সিদৈ লৌরো, ঐখোয় লাইদু অমুক ৱাফংনরুখিগে" ইতাওনা ঐবু চিং চিংদুনা থোরকই। তাইচানা লাউহৌই,

"শেল হনখিগে ঙাইখোনে"

"হয়েং ওইনা হল্লো, লাইদু চৎখিবনা হান্নি ৱাফংনরুখিগে" ইতাওনা হায়বদু হেক লোইবগা খুদি থিজিন্দুনা ঐ তুশিল্লি। য়ামাংদা বক লাউবা মখোল অমা তাখি। মারগা য়েংলুবদা য়ামাং য়াওরমদ্রে।

(এন বি : নোং-নীনি মমাঙদা নোং কন্না চুরকপদুদা ৱারৌদুনা ইজখিবনি)

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।